**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 09-11-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- দবল ইঞ্জিন সরকারনা উত্তরাখন্দগী চাওখৎপগী অনৌবা থাক অমদা পুখৎনবা হোৎনরি।

২) বিহার বিধান সভাগী অনিসুবা অমদি অরোইবা তাঙ্কক্কী মীখলগী ভোৎ খোন্বা ঙসি নুমিদাংৱাইরম লোইশিনখে। তাঙ্কক অসিদা রাজ্য অদুগী বিধান সভা কেন্দ্র ১২২ দা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ভোৎ থাদনগনি।

৩) ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা মসিগী ৯৩ শুবা এনিভরসরিগা মরী লৈননা গুৱাহাতিদা ব্রহ্মপুত্র তুরেলগী মথক্তা গ্রান্দ ফ্লাইট পাস অমা পাঙথোকখ্রে।

৪) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি লুৱানদাদা অঙ্গোলাগী রাষ্ট্রপতি জোৱাও মেন্যুএল গোনক্লাভসকা লৈবাক অনিগী ওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে। য়ান্ন-ৱারোল কয়াসু সহি তৌনরবা য়াই।

অমসুং

৫) উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধাকৃষ্ণন্না গ্রেজ্যেট মহৈরোইশিংদা অককবা পান্দম অমগা লোয়ননা মখোয়গী পান্দম ফংনবা হোৎননবা তকশিল্লি।

------

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- দবল ইঞ্জিন সরকারনা উত্তরাখন্দগী চাওখৎপগী অনৌবা থাক অমদা পুখৎনবা হোৎনরি।

দেহ্‌রাদুনদা পাঙথোকপা উত্তরাখন্দ রাজ্য শেমখিবগী সিলভর জ্‌বিলি পালন থৌরমদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- রাজ্য অদুগী হৌজিক ফাওবদা মপুং ফানা পুথোকপা ঙমদ্রিবা মচাক মথুমশিং নিংথিনা পুথোকবা হোৎনবদা অকনবা মীৎয়েং চংবগী তঙাইফদবা লৈ। উত্তরাখন্দদা লম্বী থোং নিংথিনা শেমগৎনবা সরকারনা অকনবা মীৎয়েং চংলি হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

শ্রী মোদিনা থৌরম অদুদা লুপা কোতি লিশিং ৮ হেনবগী তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং খরগীনা যাত্রা হুনখি, অদুগা খরনা শঙ্গাখি। প্রোজেক্টশিং অদুগী মনুংদা থকবা ঈশিং ফংহনবা, ঈথৈ লৌখোং, ইনর্জি, টেকিকেল ইদুকেসন, সহরগী লম চাওখৎহনবা, শান্ন-খোৎনবা অমদি স্কিল দিভলপমেন্টনচিংবা মরুওইবা লম কয়া য়াওরি।

প্রধান মন্ত্রি ফসল বিমা য়োজনাগী মখাদা শ্রী মোদিনা লৌমী লিশিং ২৮ হেনবগী বেঙ্ক এক্কাউন্টশিংদা শেলগী মতেংসু হাপচিনখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা প্রধান মন্ত্রিনা কোমেমোরেতিভ পোষ্টেজ ষ্টাম্প অমসু পুথোকখি।

মদুগী মমাংদা শ্রী মোদিনা মেলা তৌফম অমদা মীওই কয়াগসু ৱারী শান্নখি।

রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ, ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহ, হকশেল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দা অমদি অতৈ মন্ত্রি কয়ানসু উত্তরাখন্দগী সিলভর জ্‌বিলি পালন থৌরমগা মরী লৈননা য়াইফ পাউজেল পীরি।

মেঘচন্দ্র (এল)ঃ মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতি (এম.পি.সি.সি)গী প্রসিদেন্ট কে. মেঘচন্দ্রনা ঙসি য়াইরিপোক্কী কম্ম্যুনিতি হেলথ সেন্তরদা চত্তুনা সেন্তর অদুগী ফিভম য়েংশিনখ্রে। খোঙচৎ অদুদা থৌবাল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার হানা কামৈসু লোয়নখি।

থৌবাল (এল)ঃ থৌবাল জিলাগী অথোকপমদা নৌনা শাবা কম্ম্যুনিতি হোল, ইন্দোর গেমস এসোসিয়েসনগী বিল্ডিং, পাব্লিক টোইলেট, মল্টিপরপজ হোল অমদি ৱেতিং সেদ ঙসি এম.এল.এ- ওক্রম শুরজা কুমারনা শঙ্গাখ্রে। হায়রিবা বিল্ডিং অমদি হোলনচিংবশিং অসি এম.এল.এগী লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দনা শাবনি।

এক্সিদেন্ট (এল)ঃ থৌবাল জিলাগী থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকাইদা চহি ১০ খক্তা ঙাইরিবা নুপামচা অমা পোৎ চৈ পুবা দি.আই. টাটানা থোমজিনবদগী লৈখিদ্রে হায়রি। ঐখোয়গী থৌবাল পাডমীনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়-থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক পুং ১১ অদুৱাইদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা থৌবাল পুলিস ষ্টেসন্না কেস অমা লৌখৎলে।

প্রাইস (এল)ঃ মোরেল ইজ্‌কেসন সেন্তর ইরোইশেম্বনা শিন্দুনা ২৯ লক শুবা ষ্টেট লেবেল মেথমেতিক্স, সাইন্স, ইংলিস, সোসিয়েল সাইন্স অমসুং মণিপুরী চাংদমবা ২০২৫ গী মনা ঙসি য়েন্থোকখ্রে। ইম্ফালগী দি.এম. কলেজ ওফ আর্টসকী মল্টিপরপজ হোলদা পাঙথোকপা মনা য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা রাজ্য সরকারগী ইজ্‌কেসন (এস-ভল্লি)গী এদ্দিসনেল দিরেক্তর বিশেশ্বর খুমুকচম অমসুং জোনেল ইজ্‌কেসন ওফিসার জোন-ৱান য়ুমাম হেমচান্দ্র শরুক য়াখি। ক্লাস থ্রিদগী টেন ফাওবগী মহৈরোইশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা চাংদমবা অদুদগী খনগৎলবা মহৈরোইশিংদা মনা পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

চান্দেল (এল)ঃ স্পিয়ার কোরগী মীৎয়েং মখাদা অসাম রাইফলসনা শিন্দ্‌না নুমিৎ নিনিগী ওইবা দ্রোন পাইবগী এদভান্স মিসন ইন্তিগ্রেসন ট্রেনিং অমা ঙসি চান্দেলদা পাঙথোকখ্রে। আইদিএ ফোর্সকা খুৎশমদুনা পাঙথোকখিবা ট্রেনিং অদুদা তোঙান তোঙানবা য়ুনিতকী পার্সোনেলশিংনা শরুক য়াখি।

এমপিএসসি (এল)ঃ মণিপুর পাব্লিক সার্ভিস কম্মিসন্না লৌবা মণিপুর সিভিল সার্ভিস কম্বাইন্দ কম্পিতিতিভ মেইন একজামিনেসনগী ঙসি থোকপা পেপর ফোর অমসুং ফাইভকী পরিক্ষা থা অসিগী ২২ থাংজ নুমিৎতা ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়না কম্মিসনগী চেরোল অমনা হায়রি।

বিহার ঃ বিহার বিধান সভাগী অনিসুবা অমদি অরোইবা তাঙ্কক্কী মীখলগী ভোৎ খোম্বা ঙসি নুমিদাংৱাইরম লোইশিনখ্রে। তাঙ্কক অসিদা রাজ্য অদুগী জিলা ২০ গী বিধান সভা কেন্দ্র ১২২ দা লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ভোৎ থাদনগনি। তাঙ্কক অসিদা ভোতর কোতি ৩ লাখ ৭০ হেনবনা মীরেপ লিশিং ১,৩০২ গী মরাইবক লেপকনি। মীরেপশিং অদুগী মনুংদা নুপী ১৩৬ য়াওরি।

ভোৎ খোম্বগী ঙসি অরোইবা নুমিৎতা এন.দি.এ, মহাগথ বন্ধন অমদি অতৈ দলশিংগী মকোক থোংবা লুচিংবা কয়ানা মীখলগী রেল্লি অমদি রোড সোনচিবা পাঙথোক্কুনা মখোয় মখোয়গী মীরেপশিংগীদমক ভোৎ খোমখি।

কাইমুরদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদা ৱা ঙাংবদা জনতা দল য়ুনাইতেদকী প্রসিদেন্ট অমসুং মুখ্য মন্ত্রি নিতিশ কুমারনা হায়- মহাক্কী সাসন মতমদা রাজ্য অদুদা মৈগী ফিভম নিংথিনা ফগৎলে। মহাকা হায়- রাজ্য অদুগী মীয়ামা হৌজিক্তি মৈ য়ুনিত ১২৫ লেমা ফংলি। মহাকা হায়- রাজ্য অদুদা এন.দি.এ সরকার অমুক হন্না লাক্লবদি চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং হেন্না খুমাং য়াংশিনগনি।

অরারিয়াগী সিকতিদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিনদা ৱা ঙাংবদা বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং উত্তর প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি যোগি অদিত্যানাথনা হায়- এন.দি.এগী চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিংনা রেল অমসুং নোংথক লম্বী মপুং ফানা ফগৎহনবা ঙমলে।

অমরোমদা, মহাগথ বন্ধনগী মুখ্য মন্ত্রিগী মীরেপ তেজাস্বি যাদবনা কাইমুরদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদা মহাকা থা ১৭ খক্তং সাসন পায়রম্বা তেল্লবা মতম অদুগী মনুংদা নহারোলশিংদা সরকারগী থবক লাখ ৫ ফংহনখি হায়না দাবী তৌখি।

মরক অসিদা, জন শুরজগী ফাউন্দর প্রসান্ট কিশ্বরনা কল্যানপুরদা রোড সো পাঙথোক্তুনা ভোতরশিংগী পুকিং চিংশিন্নবা হোৎনখি।

বি.জে.পি ঃ দমন্দ, দিউ অমসুং দদ্রা অমদি নগর হুভেল্লিগী লোকেল বোদি মীখলদা বি.জে.পিনা চাউনা মায় পাক্লে। সরকারগী পাউ মতুংইন্না দমন্দ দিষ্ট্রিক্ট পঞ্চায়টকী সিট ১৬ কী মনুংদা বি.জে.পিনা ১৫ ফংলে। ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলদনা সিট ১৫ গী মনুংদা ১৪ অদুগা সরপঞ্চকী সিট ১৬ কী মনুংদা বি.জে.পিনা ১৫ ফংলে।

দিউদসু দিষ্ট্রিক্ট পঞ্চায়ট সিট ৮ মক্তা বি.জে.পিনা মায় পাক্লে। দদ্রা অমসুং নগর হুভেল্লিদসু দিষ্ট্রিক্ট পঞ্চায়ট সিট ২৬ গী মনুংদা বি.জে.পিনা ২৪ ফংলে। ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগীনা সিট ১৫ মক দল অসিনা ফংলে।

আইএএফ ঃ ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী ইষ্টর্ন এয়ার কম্মান্দগী ৯৩ শুবা এনিভরসরিগা মরী লৈননা ঙসি গুৱাহাতিদা ব্রহ্মপুত্র তুরেলগী মথক্তা গ্রান্দ ফ্লাইট পাস অমা পাঙথোকখ্রে। ইহান হানবা ওইনা পাঙথোকপা মপুং ফারবা এয়ার সো অদুদা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা ব্রহ্মপুত্র তুরেলগী লচিৎ ঘাৎতা এয়ার ক্রাফট অমদি হেলিকোপ্তর ৭৫ হেনবনা তোঙান তোঙানবা ফোরমেসন ২৫ হেন্না পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা অসামগী রাজ্যপাল লক্সম প্রসদা অচারিয়া, মুখ্য মন্ত্রি হিমন্তা বিশ্বা শর্ম্মা অমসুং এয়ার চীফ মার্সেল অমরপ্রিত সিংহসু য়াওখি।

মুরমু ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসিনা অঙ্গোলাগী রাষ্ট্রপতি জোৱাও মেন্যুএল গোনক্লাভসকা লুৱানদাদা লৈবাক অনিগী ওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে। মখোয়না ভারত অমসুং অঙ্গোলা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না চেৎশিনহন্নবগী মতাংদা কুপা খন্নখি। লৈবাক অনিনা মাংজোননা মীৎয়েং থল্লিবা হিরমশিং অমদি কান্নগদবা লম কয়াগী মতাংদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবসু খন্নখি।

অঙ্গোলানা হিরম খুদিংমক্তা চাওখৎহন্নবা হোৎনরিবা অদুবু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা শ্রীমতি মুরমুনা ভারতনা লুচিংবা মালেমগী ওইবা অচৌবা ইনিসিয়েতিভ অনি- গ্লোবেল বাইও ফ্যুএলস এল্লায়েন্স অমসুং ইন্তরনেসনেল বিগ কেট এল্লায়েন্সতা য়াওরকপগীদমকসু নুংঙাইবা ফোংদোকখি। লৈবাক অনিনা তোঙান তোঙানবা হিরমদা তেংবাং পীননবা য়ান্ন-ৱারোল কয়াসু সহি তৌনরবা য়াই।

নীংশিংবা য়াই, আফ্রিকাগী লৈবাক অনিগী খোঙচৎতা ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা শ্রীমতি মুরমু লুৱানদাদা থুংখিবনি।

আর্তিকল ঃ অৱাং নোংপোক লমদমবু অস্থ লক্সমিনি হায়না শিংথারদুনা দিভলপমেন্ট ওফ নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন (দোনর) মন্ত্রি জ্যোতিরাদিত্যা সিন্দিয়ানা ইবা আর্তিকল অমগী মতাংদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্কী ওহবা মোৎ ফোংদোকখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- আর্তিকল অসিদা অৱাং নোংপোক লমদমনা খা নোংপোক এসিয়াদা চৎনবগী ভারতকী নেচরেল গেটৱে অমা ওইরক্লি হায়বদু ফোংদোক্লি।

এরেষ্ট ঃ গুজরাত্তা এন্তি তেরোরিজম স্কৱাদ (এ.টি.এস)না গান্ধিনগরগী অদালজতগী তেরোরিষ্টনি চিংনবা মীওই অহুম ফারে। অহানবগী ওইনা থিজিনবদা মখোয় আই.এস.আই.এসকা মরী লৈনৈ হায়বদু খঙবা ঙমলে। মখোয়দগী খুৎশু খুৎলায় কয়াসু ফাগৎলে।

ওথোরিতিগী পাউনা হায়- ফারবা মীওইশিং অদুনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা এটেক চথ্নবা থৌরাং তৌরম্মী।

রাধাকৃষ্ণন ঃ উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধাকৃষ্ণন্না গ্রেজ্য়েট মহৈরোইশিংদা অককবা পান্দম অমগা লোয়ননা মখোয়গী পান্দম ফংনবা হোৎননবা তকশিল্লি।

মৈশুরুদা ঙসি জে.এস.এস একাদমি ওফ হায়র ইদুকেসনগী গ্রেজয়েট মহৈরোইশিংদা ৱা ঙাংবদা উপ-রাষ্ট্রপতিনা হায়- ফলগীদমক খনবা তৌদনা ইথৌ পাঙথোকবা হোৎনবা হায়বসি ঐখোয়গী তৌফম থোকপা থবক ওইগদবনি। মহৈরোইশিংনা মখোয়না কলেজদগী ফংলকপা গ্যান লৌশিং অদু মখোয়গী তুংগী পান্দম অদু ফংনবা হোৎনবদা শিজিন্নগদবনি। মহৈরোইশিংনা মোবাইল এদিক্সন ওইহন্দনবা অমসুং মথক থোংবশিং, ওজাশিং অমদি মমা মপাবু মপুং ফানা ইকায় খুমবা উৎনবসু উপ-রাষ্ট্রপতিনা হায়রি।

আরএসএস ঃ রাষ্ট্রিয়া সোয়ম সেবক সঙ্ঘ (আর.এস.এস)কী সর-সংচালক মোহন ভগবতনা হায়রি- খুনাইদা তোখায় তান্নবা কয়া কোকহন্দুনা নুংশি চান্নবা পুরকবা আউটরিটচ প্রোগ্রাম কয়া ওর্গনাইজেসন অসিনা শিল্লি।

সঙ্ঘ অসিগী চহি ১০০ শুরকপগী লেকচর সেরিজগী শরুক অমা ওইনা বেঙ্গলুরুদা পাঙথোকপা থৌরমদা শ্রী ভাগবতনা ১৮৫৭ কী অহানবা নীংতম লানগী মতমদা হিন্দু অমসুং মুস্লিম অনিমকা বৃটিশকী মখুৎতগী নীংতমবগীদমক পুন্না লান্থেংমিন্নখি। মহাকা হায়- সদভাবনা কারিয়াগী শরুক অমা ওইনা ব্লোক্কী থাক্তা কাংলুপ কয়াগী লুচিংবশিং অমদি ধর্ম্মগী মকোকশিংগা আর.এস.এসনা ৱারা শান্নগনি।

চৌহান ঃ কেন্দ্রগী এগ্রিকলচর অমসুং ফারমর্স ৱেলফ্যার মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান হয়েং ওরিষাদা পাঙথোক্কদবা লৌমীশিংগী তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী থৌরমশিংদা শরুক য়াগনি। কেন্দ্রগী এগ্রিকলচর অমসুং ফারমর্স ৱেলফ্যার মন্ত্রালয়না হায়- মন্ত্রিনা মন্দিয়া দিবস (মিলেট ডে) হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়াগনি। ওরিষা অমসুং লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা কেন্দ্র সরকারনা পায়খৎলিবা মিলেট পুথোকপা, শেম শাবা অমসুং শিজিন্নবগী মতাংদা মহাকা ৱা ঙাংগনি। শ্রী চৌহান্না কটক্কী সরদার রিজনদা চত্তুনা মফম অদুগী লৌমীশিংগা হকথেংননা ৱারী শান্নগনি। মহাকা আই.সি.এ.আর-সেন্ট্রেল রাইস রিছার্স ইন্সটিট্যুটকী জোইন্ট ষ্ট্রেটেজিক মীফমদসু শরুক য়াগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোলঃ পোল ষ্টার কলেজ-ৱাবগাইনা শিনদুনা চথরিবা অয়েকপম প্রতাব সিংহ মেমোরিএল মনিপুর য়ুনিভরসিতি ইন্টর কলেজ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- লিলোং হাওরৈবী কলেজনা এন. বিরাহরি কলেজবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচশিংদা প্রভাবতি কলেজনা এন.জি কলেজবু পাঞ্জল ৫-০ দা, থম্বাল মরিক কলেজনা সেমকো কোমলাথাবীবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ক্রিকেট ঃ বি.সি.সি.আই দোমেষ্টিক সিজন ২০২৫-২৬ কী ওইনা পাঙথোকপা মেন্স অন্দর ত্বেন্তি থ্রি ষ্টেট-এ ত্রোফি প্লেটকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মণিপুরনা অরুনাচল প্রদেশপু ৱিকেট ৭ তা মায়থিবা পীখ্রে।

জিৎ কুন্দো (এল)ঃ থাইলেন্দগী পাতায়া স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হৌখিবা নবেম্বর তাং ৫ দগী ৮ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড য়ুথ গেমস ২০২৫ দা মণিপুরগী শান্নরোই মরিনা সনাগী তকমান লৌরখ্রে অদুগা শান্নরোই অমনা লুপা তকমান লোরকপা ঙমখ্রে হায়রি।

জিৎ কুন্দো এসোসিয়েসন মণিপুরনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- সনাগী তকমান ফংলকখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি- চুংখাম নিংথেম, শামোম কেনেদি, লাইশ্রম দিনেস অমদি তোম ক্রুজ লাইশ্রমনি। অদুগা লুপা তকমান ফংলবা শান্নরোই অদুনা নাওরেম রানি চনুনি।

পোলো ঃ জয়পুর পোলো গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা কোকনিবেরা ইন্তরনেসনেল পোলো কপতা ভারতনা ৱার্ল্ড নম্বর-ৱান আর্জেন্তিনাবু পাঞ্জল ১০-৯ দা মায়থিবা পীখ্রে। ভারত টিমগী কেপ্তেন, সিমরন সিংহ সেরগিলনা ওইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ নমথনলোং য়ুথ ক্লব (এন.ৱাই.সি)না ১৪ শুবা জদোনং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী চেম্পিয়ন ওইরে। ইম্ফালগী খুম্মন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা ঙরাং নুমিদাং শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এন.ৱাই.সি নমথনলোংনা এস.কে.ৱাই.সি.শওম্বুংবু পাঞ্জল ৬-৩ দা থোইদুনা কুমশিংগী ত্রোফি অদু লৌখিবনি।

জেলিয়াংরোং ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিনবা তুরনামেন্ট অদুদা জেলিয়াংরোংগী ফুটবোল ক্লব ৩৬ না শরুক য়াখি।

------